"নীংতম্বা হায়বসি ৱাই শংবগী হৌরকফমনি। উচেকসুনি, অহাঙবদা, অতিয়াদা পংপাই পাইজবনা হেক মপকচৈ।"

- পাচা মীতৈ (কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই)

নুংশিবগী ঈশৈ

—কবির

—মণিপুরীদা - শ্রীভক্ত

নঙনা পুনশিল্লে ঐখোয়নীবু, হে লম্বোইবা,
তূমখুন হুঞ্জরম্বনি ঐদি নুংঙাইনা, ঐগী খাংপোক্তা,
নুংশি ৱাহৈনা নহাক্কী
ইনাকোংদা য়ৈহনবীদুনা হৌদোকপীরে ঐবু।
ইরাক্লরম্বনি ঐহাক্তি অমোৎপগী ঈপাক্তা,
চিংখৎপীরে নহাক্না ইখূৎ পায়দুনা।
নহাক্কী লমজিং ৱাহৈনা, থুমহৎলে ঐগী থম্মোয়দা
লীপূন পূম্বদৈ তাইবঙগী, থাদোকপীরে ঐহাকপু।
কবিরনা হায়জৈ - তাবিয়ু হে ঈংলবা থৱায়
কোনবীরম্মী ঐবু লম্বোইবা মানা
চিংশিল্লদুনা ঐগী থম্মোয়বু মাগীদা।

সনা লৈবাক

—ডো. অকোইজম ইবোহল

হো য়া য়া হো য়া
য়ায়া য়ায়া য়া
তাহৌরে তাহৌরে
দল্লিয়ুসু ৱাইসু তাহৌরে
পোইরৈ লমদম খুদেংথাবীদা
অমম্বদা মণি খুল্লল্লনিদো!
গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল মনাক্তা
মণিগুম তোমথিন ঙাল্লিবী
ইমা লৈবাক নুংশিবী ও
মসিমক্লসু মীয়াম্না হায়নরিব্রা
সনানা ময়ুং কাবা লম
লুপানা মফেন ফেনবা লম;
কংলে হায়নরিবা কংলৈপাক
চোৎপগী লমজেল তান্নবদা
শেঞ্জেংগী তাকমান ফংলক্লবকো
করিগীদি তারোই অহুমশুবা
লৈকায় লৈকায় খুদিংদা
ফংলবদা শিদ হীদাক অঙৌবা!
মমা মপানা মথন্তা পোকচবা
ফিজিগী মণিদো পাম্মুবা
থুখ্রমাল্লে ময়াই কারবা
চাহৈদ্রবা চিঙ্গাক্কী লাংদুদা,
কংফালদা হী হোল্লিবসে
ফক্লাংদা সাইকল থৌরিবসে;
ঙাখা খজিংনা ঈনদা অদুম মরকপা
পেঙবা খাবক্লা হেক্তা লিৎথখিবা
করি মতৌ কৌবগেনে মসিবো
কলি যুগ ওইরকপগী মমিরা
অৱৈবা ঈশিংনা মতাইদা চেল্লিবা
অনৈবা ঈশিংনা ময়াইদা চেল্লিবা!
খূৎতা মৈনম পায়রদুনা
অহিং মীৎশেল খাঙদুনা
মৈরাশঙদা ফল্লি ইমাদুনা,
অহিং তাংলৌ থেংলক্লবদা
হাইরং হাইরং হঞ্জিল্লকই মচানুপাদো
লাউরকই, গুদ নাইট মাদর।

দিসেম্বর ১২

—পুয়াম অচৌ খুমনচা

দিসেম্বর ১২না লাকপদা
নীংশিংলকই পুৱারীগী লমায়
মৈতৈ চনুরা কয়াগী থৌনা
থৌনা ফনা লাম্থেংনখি
মচা মপুরোইবা কয়াগী
চাকখাও হাঙবা মেনশিন্নবা
কুমজা ১৯৩৯ দিসেম্বর ১২
খূৎশেমগী চাকতাঙবা ওইহনখি।
শেঞ্জাও পায়বা মরৱারী
হুরান লোনাগী লল্লোনবা
পংজরবী মৈতৈ চনু কয়ানা
হোৎনজখি চেঙ থাদোকপা থিংনবা
চাক লাল্লবা মচাশিংগী
অহল ওইরবা কয়াগী শক্তম
হায়জখি চেঙ পীয়ু চেঙ পীয়ু
চেঙ পীবগী মহুত্তা
লোইলম লৈঙাক্কী সিফাইশিংনা
নোংমৈগী সঙ্গিন পীখি।
ঈ তৈরবা মৈতৈ চনু
ঈ তৈরবা খূৎশানা মেনশিনখি
উৎখি মৈতৈ চনুগী থৌনা
মৈতৈ চনুশিংগী থৌনা
দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯
মপাল লমদা চেঙ থাদোকপা থিংখি।

কচ্ছবা

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

হে তমথীরবা মহীক! নমিংদি পন্নীংদে
নঙনা মীওইবা কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লি
মমা-মপা, মচিন-মনাও, শাগৈ-নাতৈ
কপ্পবগী খোঞ্জেলনা অতিয়া নীনখ্রে
থম্মোয়সে মচেৎ কয়া থোক্লা চিংখায়রে
নহাকসে ওম্থোক্লা ফৎখিদ্রবা মহীকনি।
মহীক নঙনা লান্দাবদা
মালেমদা লৈখিদ্রবা লৈখিদ্রবী মখোয়গী
ঐগী থম্মোয়না তূমিন হিক্লা কপ্পি
মখোয় কয়াগী খল্লুবদা পুন্সিসে
হিংলিবা ঐসে হিংনা লৈনীংদ্রে
শিখিবনা শরুক চাম্মা ফৈ খল্লক্লে।
লৈখিদ্রবা লৈখিদ্রবী কয়াগীনি খল
ঐনা করিসু তৌবা ঙমদে।
হে থৱায়শিং! নখোয়না ৱারৌগনু
নখোয় খুদিং নুংশিজবতা মঙায়রে
ঐনা করম্বা করি থবক তৌরগা
নখোয় পেনগনি অমুক্তা তাকপীয়ু।
ঐনা ঙমগদবা অমত্তংদি লৈ খল্লি
হে অশিবা! নখোয় পূম্বগী ওইবা
নীংশিং ফুরা অমতংদি বিষ্ণুপুরদা শাগে
মালেমগী মীয়াম্না মতেং পাংলবদা
নীংশিং ফুরা ঐনা শাবা ঙমগনি
হে অশিবশিং! মদুনা পেনবা ঙমগদ্রা?
হে অশিবশিংগী থৱায় পূম্বা
নীংবা কায়না পুন্সি থাদোকখ্রবশিং!
ঐগী মিৎলু পিরাং শিন্থ শিন্থ
পূক্লিংগী লৈরাং খুজোক খুজোক
হে থৱায়! নখোয়গী নফমদা কচ্চরি
নীংঙমদ্রসু লৎনদা হরাউনা লৌবীয়ু।

লোইখ্রবা মপোক

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী
তোর্ব্বান অদুদা
য়াতারিবা মহাক্লা
ঐগী পিরাং অসিবু
উবিরমগদ্রা,
মা, ঐ
পূন্না লাকখিবনি
ইদোম হনবা তারবরা।
ইচা, ইনাওশিংনা
হংলকপা ৱাহংগী
পাউখুম
করি হায়না পীগনি ঐনা
হৌখ্রবা পুৱারীগী লমায়শিং
হাইগৎলুরবসু অনৌবা
নুমিৎ অমা অমুক
থোরক্লরোই,
মমশিল্লক্লবা নুমিৎশিং
অসিদা কনাবু য়েংদুনা
লৈগনি ঐনা।

লাইসু

—রোমি তখেল্লম্বম

মীনাই নাইথাংগী পরিংদা,
অনম অহা চুরবা,
লমদমসিগী য়েলহৌমী।
ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা,
হে লমদমসিগী যূম্বীরেল,
লাইরিক হৈসি, লাইসু খঙনা।
হায়নৈ, মহৈ তম্বদা... থেঙবা নাইদে,
লুরিবদি - মতম চাদবা পোৎথাদি,
উহৈ মরীক চুমদেদো।
মীৎকপ থোক্লসি, ঙসিগী নহারোল,
হৌরসি পুথোকপা, ইশাগী পোত্থোক,
হয়েং অমুক ঙাইগুমসি।
নুমিৎ মঙানিগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ,
পোৎ-চৈগী মমল, ৱাখল তাসি,
চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংলুবনা,
মীনাই নাইথাং শম্বলগী মনুংনি।
লাইরিক হৈবা, লাইশু য়াওদবা,
মীরমদা... ইরম শাবদি,
খুদি অমুক থিবদা... অয়ো ইমা!
কাউফদে, ইশাগী পোক্লম।
অচাউরম কাবগী হৈনবী,
শূদনা অহাও চানীংবা,
মতম লৈরি থাদোকসি,
থুররোইসি ... কানিগী লাংথাক্তা।
শিনফম চীলহাউ থিদনা,
কনসি খুন্নাই, ঙসিগী নহা ঐখোয়না,
ঐ-ঐদগী হৌদোকসি...
লৌশিনসি চাওখৎলবা মালেমগী-
লমদম কয়াগী মমিশিং, পুক্লীংদা।
ঐখোয়গী পোত্থোক পুথোকসি,
চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংগুমসি,
লৌরোক-থা লোইবদা...
শিনসি মহুৎ, মহৈ মরোং -
অচুম্বা...
ৱাৎত-পাদবা, ওইহল্লসি ইরমদম।

ঙসিগী তাইবঙপাল

—হোদাম নিলা মঙাল

মচু কয়ানা পিক থল্লবা
তাইবঙপালসিদা খোঙদারকখি।
তপ্না তপ্না থাংলকপা খোঙথাংসু
পন্থুংফম নকশিল্লক্লম্মী।
নোংমদি তাইবঙপাল অসিদগী শুংশোয় শোয়দনা
কায়নখিগদৌবা মীওই মপোক ঙাক্তনি...
ঙসিগী তাইবঙপালসিদা খ্বাইদগী
তমথীবা মখলদি মীওইবা কাঙলূপনি।
পেম্থোকপা হৈত্রবা মীনুংশি লৈত্রবা
ঙসিগী তাইবঙপাল অসিদা
করিগীদমক শাফোংলকখিবনো মীওইবা ওইনা।
ইরোলনুংদা তাদুনা লৈহৌরনি ঙসি তাইবঙপালসে
মীকপ মীরাওখোল নীংবা কায়বা
পেন্দবগী খোল্লাউতনা...

নীংঙমহৌদ্রবা

—রাজকুমারি মীনা

থোৎলবা হকচাংদা তিঞ্জাং যুখি
চেকশিলহৌদ্রবা পুন্সিগী খোঙথাং অমনা
অয়ো নাহেখি চৈনা খাংখি
দাগফম লৈহৌই ঈ থোকখি
অশোকপা ওইখি ৱারী লৈহৌরি।
অনৌবা পুন্সি, মকোক্তগী হৌবা
তিঞ্জাং লৈতবা, অফবা লম্বী
চৎনীংলি তোয়না, ইখোঙসিনা অমুক
ঈথিল পীরি, ৱাখলনা থম্মোয়দা।
নীংশিংলুবৈ কান্নবা, হল্লক্লরোইদ্রবা থৌদোক
লৈখিগনি? অমুক, করম্বা পুন্সিদা
কনানা হায়বীগনি, করম্না খনবীগনি
অশোয়বা থৌদোক, নীংঙমহৌদ্রবা পুন্সিগী।

মতম মতমগী ৱাখল

হিংমিন্নসি ঐখোয় শৈপানবীরম্বা ৱাহেংবম সেমসন্না লৈখিদবদা

মণিপুর মতম ঈশৈগী মীয়াই চল্লবা কম্পোজর, মিউজিক এরেঞ্জর খুৎ থেক্তুনা পাবদা মশীং য়ামখিদে। মিউজিক্কেল ইন্সট্রুমেন্ট অমা হেক্তা তাপ পায়দুনা খোঙবা ঙমখিবা মিউজিক এরেঞ্জরশিংগী মরক্তা ৱাহেংবম সেমসন অমা ওইখি। মপূম ওইনা মীয়াম্না খঙবীখিবা উখিবদনা গিটার খোংবনি। মহাক্না খুৎলোইনা হৈখিবা মিউজিকেল ইন্সট্রুমেন্টশিংদি- মাউথ ওর্গান, একোর্ডিয়ান, বংকো, অমদি গিটারনি। অনীশুবা কাঙলুপক্কী রুপ রাগ, অহল লমনশিংগী মতুং তারকপদা পুথোকলকখিবা মতম ঈশৈ অয়াম্বগী মতম শাংনা মিউজিক এরেঞ্জর, কম্পোজর ওইবীখিবা ৱাহেংবম সেমসন্নি। সগোলবন্দ ৱাহেং লৈকাই, এরিয়ান হোল মনাক্তগীনি। চৎলিবা চহী ২০২০ অসি ফাওবা অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মীক) অসিগী ভাইস প্রসিডেন্ট ওইনা থৌ পুবীরমখি। "হিংমিন্নসি ঐখোয়" হায়না মিংথোনবা বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরেংবা ঈশৈ অসি মহাক্না শৈবানবীরম্বনি। কুমশীং ১৯৯৪গী ডিসেম্বর তাং ২৯দা অচৌবা খুৎপু অমা শেমগৎতুনা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী প্রডক্সন ওইনা পিকচরাইজেসন শেমদুনা পুথোকখি।

চৈচৎ ১৯৭৪ স্বাইদগী হৌরগা চহী ২৫ রোম অসি শাফু কন্না চেন্থরকপা ইচেল অমগুম মণিপুরী মতম ঈশৈনা কন্না চেন্থরকখিবা মতম অমা লৈরমখি। শৈশকপদি য়াম্না লৈখি অদুবু অয়ে অখোংগী লম অশোমদদি মশীং লিকখি। ঙসি শীজিন্নরিবা মখল মখা কয়াগী মিউজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিং অসি লাকপা কুইদ্রি। শূপ্নদগী তবলা অমগা হারমোনিয়ম অমগনা মতম ঈশৈ ফমশক হায়বসি থৌরম অমা ওইনা চাউনা লিশাং শিংনা শক্লরকই। খরা চাউনা শীনবা ঈশৈ নোংমাই থৌরমদা নিংঙোম্বম মুনালগী তার সেহনাই অমদি গিটার রাজেনগী গিটার য়াওদুনা পাংথোকপা ওইরগদি অনৌবা অমা ওইনা তাবা চৎনৈ। মীনা পীক থল্লিবনি। ঈশৈ অয়াম্বা অযুক নুংথিলদা তৌনরম্মী। খরা লৈরগা তবলাগা লোয়নননা নাল হায়বা য়েনবা ইন্সত্রুমেন্ট অমদি ধুলকি য়াওনরকই। মার্কস হায়বা চরিক্লা মশা পুন্না য়োমশিনবা অমনা তান থানবা ইফেক্ট মিউজিক ওইনা শীজিন্নরকই। তপ্না তপ্না ইলেকট্রোনিক্স ডিভাইস তৌরবা কি ওর্গান শীজিন্নরকই, সেক্সাফোন খোংনরকই। ঈশৈগী থৌরমদা ড্রম সেট অসি অখন্নবা খরতদা সুম শীজিন্নরম্বদগী মশীং য়ামখৎলকই, পেদ দ্রম থিন্নরকই মখল মখলগী অয়ে অখোং খুৎলাইসু হেনগৎলকই। অনৌবা মিউজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট শীজিন্নবা হৌরকপসি অয়াম্বনা রুপ রাগনা ওইরকখি। কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা আর্টিষ্টশিংনা অনৌবা ইন্সত্রুমেন্ট মরন্নাই ওইনা প্রাকটিক্স তৌবীরম্বদি য়াই হায়ববু মীমাং থোক্লা শরুক যাবা পুথোকলকপসি রুপ রাগগী আর্টিষ্টশিংনা খরা হেন্না থেংনখি। একোর্ডিয়ান হায়রিবা ইন্সত্রুমেন্ট অসি রুপ রাগগী ৱাহেংবম সেমসন্না খোংদুনা শীজিন্নখিবা নত্তনা ঙসি ফাওবা কনাগুম্বা আর্টিষ্টশিংনা মণিপুরী মচা অমত্তনা পায়রকপা থেংনদ্রি। রুপ রাগনা মতম মতমগী অনৌবা ঈশৈ পুথোকলকপদা একোর্ডিয়ান শীজিন্নখিবসি, নোংমাইথেম পহারিনা শকখিবা "নঙগী মাইথোং উরুবদা শজিবু গুল্লাপনা ইকায়জবীনি.." ঈশৈ অসিদা একোর্ডিয়ান্না লিড মিউজিক পীদুনা নাইটস শোদা শীজিন্নবা হৌখি মথংদা "ককা লাইরিক ঔরাইবা তল্লে তুমলুরগে, ...মশক ফজবী লৈশাবী অমনা হনুবা অমা ফাবীরে.." ঈশৈ অসিদা শীজিন্নবা থেংনখি। চুম্নগী মিউজিকেল পিছ অমখক ফিল্লর ওইনা খোঙবা নত্তে। শাংলবা ইন্টরলুদ ওইনা তামো ৱাহেংবম সেমসন মশানা শেমদুনা খোংখি। ঈশৈগী চান্নবা মিউজিক পিছ শেম শাবা য়াম্না হে। অনৌবা ফজরবা নাচোম অমা ওইনা তামো সেমসন্না খোংখিবনি। মচল অমা ওইনা অতৈ ঈশৈদসু শীজিন্নখি। রুপ রাগনা অনৌবা মিউজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অমা লৈননবা অমদি মীয়ামদা পুথোক্লবা হোৎনরকপদা ৱাহেংবম সেমসনগী অমদি শরুক য়ামিন্নরিবা আর্টিষ্টশিংগী লিংজেন মান্নবা, কথোকপা, হোৎনবা কনবদগী অনৌবা লৈখিবনি। অনৌবা ঈশৈ পুথোকপা অমদি অনৌবা মিউজিকেল ইফেক্ট, ইন্টরলুদ শেন্না হায়বসি আর্টিষ্টশিংগী থৌদাং অমনি। মসিদা তামো ৱাহেংবম সেমসনননা লুচিংলগা ময়াম পূন্না ৱা তান্নরগা নুমিৎ কয়ানি চঙনা শেমখি হায়বসিসু মখোয়গা লোয়নখিবা ৱারী ৱাতায়শিংদগী খঙজবা ঙম্মী। মমাংদা পাংথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অয়াম্বদা ফমশক হায়দুনা আর্টিষ্ট লোয়নমক খোঙ্গাই চন্না ফমদুনা শক্লখি। লেপশক হৌদোকখিবসি রুপরাগগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীরোলশিং ঈশৈদা জয়কুমার, শ্যাম, নব ভোলকেনো, নুপীদা অরাম্বম যমুনা পঞ্জরিবশিং অসিনা কোয়না চৎতুনা শক্লরকখিবদগী হৌদোকপা থেংনখি। শৈশকপশিং অসিনা ঈশৈ শক্খিবা মতমদা অতৈ ইন্সত্রুমেন্টালিষ্টশিং অয়াম্বনা ফল্লগা অয়ে অখোং তৌনৈ অদুবু তামো ৱাহেংবম সেমসনদি অয়াম্বা মতমদা মহাক্লা পায়রিবা ইন্সত্রুমেন্ট অদুগা লোয়নননা লেপ্লগা খোংবা উখি। ফল্লগা পার্ফোর্মেন্স পীগন্দে। রুপ রাগনা ঈশৈ নোংমাই থৌরম অমা হৌরমদাইদা রুপ রাগগী ওইনা অয়ে-অখোং ঙাক্তগী ওইবা ইন্সত্রুমেন্টল মিউজিক অমনা হেক হেক হৌদোকখি। হায়রিবা খুদোল অসি তামো ৱাহেংবম সেমসন্না লুচিংলগা পাংথোকপা মিউজিকেল ইনভোকেসন অমনি।

কুইদ্রি, তামো সেমসন্না অমিক্কী ভাইস প্রসিডেন্ট ওইরকপদা অমিক্কী ওফিসতা উন্নবা খুদিংগী ৱারী অমা শান্নখি। হৌজিক্কী মতমদা শৈশকপা শৈশকপী অমদি অয়ে-অখোং নহা কয়া থোকলক্লে। অয়ে অখোং তৌজরিবা নহাশিং অসিগী হৈ-শিংবসি উৎথোকপা যাবা থৌরম অমা পায়খৎসি হায়না হৌদোকচরুবদা তামো সেমসনননা মদু অফবনি থুনা শীল্লসি হায়নখি, ৱা তান্নবা হৌখিবনি। বোম্বেদা হিন্দি ফিলমগী মমিং লৈরবা লক্সমিকান্তা পিয়ারিলালগী, সঙ্কর জয়কিষণগী, নৌসাদকী মিউজিকেল শো উৎলি। মখোয়না কম্পোজ তৌখিবা মমিং লৈরবা ফিলম ঈশৈশিংগী থিম মিউজিকশিং হৌগৎলক্লিবা আর্টিষ্টশিংদা খঙহল্লি। ৱাহেংবম সেমসন্না কম্পোজ তৌখিবা, খোংখিবা হাপখিবা মিউজিকশিং তুংগী আর্টিশিংদা খঙনবা অখন্নবা শো অমা অম্মিক্লা শীল্লগা তৌরসি হায়না ৱাতান্নখিবা কুইখিদ্রি। ঙসি ইলেকত্রোনিক্সকী অফবা মিউজিক ইফেক্ট শেন্বা যাবা ইন্সত্রুমেন্ট কয়া অসি লাকত্রিঙৈ কুমশীং ১৯৭৮ অদুৱাইদা কন্না শকখিবা ঈশৈ অমদা তামো ৱাহেংবম সেমসন্না মহাক্কী ইন্সত্রুমেন্ট ইলেকত্রিক গিটারনা ইফেক্ট পীদুনা শীজিন্নখি। ঈশৈ অসি মতম অদুদা অঙকপা অমা ওইনা মীয়াম্না তানখি। তামো সেমসনগী হৈশিংবা অসি ঈশৈ অদুদগী খঙখি। লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং " মমাং লৈকাই থম্বাল শাৎলে" অসিদা য়াওবা শৈরেং অমা ঈশৈ ওইনা খুন্দ্রাকপম তা-জয়কুমারনা শকখি, 'অশংবা অতিয়াগী মখাদা চৎমিন্নৈ শানৌদো পুং মঙা...". প্লেন পাইবগী অহৌবা খোঞ্জেল শুপ্নগী তামো সেমসনগী ইলেকত্রিক গিটার অমদি ইরেংবম কৃষ্ণচন্দ্রগী চিনবানগী খোম্লোক্লা য়ানশিন্নরগা শেমখিবা ইফেক্ট মিউজিক ঙসিসু নীংশিংলি। ঈশৈ শকফমদা বোইং ৭৩৭ প্লেন পাইথরকপগী খোঞ্জেল চপ মান্নবা তাহনখি। অসিগুম্বা সাউন্দ ইফেক্ট শেম শাবা হৈখিবা কম্পোজরনি। খুন জয়কুমারনা শকখিবা মীয়াম্না পাম্নখিবা ঈশৈ -'মংলম্বা নোং করিগী চুরক্লি। ঐনা চোৎনা হনবদা নঙদি নুংঙাইহরিনি..' ঈশৈ অসি শৈশেম্বা মতমদা তামো ৱাহেংবম সেমসন মশা য়াওখি। তামো নব ভোলকেনোগী মমিং লৈখিবা মতম ঈশৈ " তমগী ইবুং উদবা কুইরেদা ' ঈশৈ অসিদসু মহাক্কী খুৎ য়াওখি।

ৱাহেংবম সেমসন্না মণিপুর মতম ঈশৈগী মিউজিক্কী মরমদা লৌখিবা থৌদাং অসি ঐমক্লা খঙজবদা য়াম্না য়াম্নি। মতম ঈশৈ খক্ত নত্তে, মণিপুরী ফিল্ম খরা মরুওইনা- ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু অসিদা চাউনা শরুক য়াখি। অহৈবম শ্যাম্না শকখিবা করি ঈশৈ শকউগে মাংদা ফল্লিবী হায়বা অসিদা ষ্টেজ পর্ফোর্মেন্স উৎপদা রুপ রাগগী অয়ে অখোং মতম অদুগী মায়পুনখিবা খুদিংমক ফিল্মদা য়াওখি। ফিল্মগীদমক শৈশেমলকপদা ৱাহেংবম তামো সেমসন মশামক মায়পুনরকখিবগী ৱারী লৈখি। মণিপুরগী মপান্দা কলকটাদা ফিলম ঈশৈ রেকোর্ডিং তৌবদা মশামক প্লেবেক সিঙ্গর ওইবীখিবা শৈশকপা শৈশকপীশিংগা লোয়নননা চৎখি। মিউজিক এরেঞ্জ তৌরুই, মতেং পাংবা য়াওখি।

তামো সেমসনগী খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইখিবদি 'হিংমিন্নসি ঐখোয়' হায়বা ঈশৈ অমা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা চিং তম অনীমক্কী মীওইশিং য়াওনা শক্তুনা দুরদর্শনগীদমক পীকচরাইজেন তৌদুনা পুথোকখিবা অসিনা ওইরি। হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়বা অসিগী মতাংদা রুপরাগগী মপোক চহী ৪৩ শুরকপদা ফোংখিবা অখন্নবা চেফোঙ 'নীংশিং খুদোল' দা ৱাহেংবম সেমসন মশানা ৱারেং অমা ইজদুনা ফোঙখি। ঈশৈ অসি নোংমাইথেম পহারিনা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী ষ্টেসন ডাইরেক্টর ওইনা থৌ পুরিঙৈ মতমদা অখন্নবা ঈশৈ অমা ওইনা নল্লগা পুথোকখিবনি। নোংমাইথেম পহারিনা ঈশৈ অসি ৱাহেংবম সেমসন্দা শৈপালহনখি। ঈশৈ ওইনা শক্লবগীদমক মণিপুরী মৈতৈ, মুস্লিম, তাঙখুল, পাইতে, মার, থাদৌ, কবুই, মাও ময়াম অসিগী অপূনবা খোঞ্জেল, অপূনবা শক্তম, মাগী মাগী মনাৎকী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং শেৎ চাজরগা ঈশৈ অদু পিছ এন্দ হারমোনিদা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা পুথোকখি। মখা তারকপদা রুপ রাগগী শৈশকপা শৈশকপীশিংনা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমশিংদসু য়াম্না তোয়না হেক হেক শকপীখিবনি, "হিংমিন্নসি ঐখোয়, তাইবং লৈকোনসিদা, লৈরাং ওইনা শাৎমিন্নসি"। ৱাহৈ অসি তাঙখুল লোন্দা অমুক হন্দোক্লগা শকমিন্নখি- "রিংঙারুমস ইথুম-রিংঙারুমসঃ ইথুম, ওকথুই ৱিৱান য়ামকুই হিলি..." পাইতে লোন্দা অমুক শকহনখি- "হিংখোম দিয়াম দিয়াম নিয়ে। ইতেন্না খোবেল হুৱাংসুংঙা। পাক্তে অংঙিন বুলখোম ঐত্যু।" থাদৌ লোলদা অমুক শক্লি- "হিংখোম উতে ঐহো/ইচেন্নাউ হিচে লৈশেৎনা" অমদি মাও লোন্দা- "হু আইজুলে ইতা..ওফেজে তোপ্রোই লিনো.." অসিনচিংনি। ঈশৈ অসিগী শৈহেক শৈশক অসি ইম্ফালদা পাংথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিভেলদা শিল্লোংদগী মিউজিক বেন্দ অমনা শরুক য়ারদুনা খাসি লোন্দসু শকখিবা মীয়াম্না উবা অমসুং তাবা ফংখ্রবনি।

'হিংমিন্নসি ঐখোয়' ঈশৈ অসিদি লৈহৌরি। মতম চুপ্পগী লৈহৌরগনি। ঈশৈ অসিবু লুচিংদুনা শকপীরম্বা খুন জয়কুমারসু লৈখিদ্রে। তামো পহারি অরোয়বা য়াহিপ তানখ্রে, হন্দক অমুক তামো সেমসনসু লৈখিদ্রে। চৎলিবা ডিসেম্বর থা অসি পূক্লিং নুংশিনিংঙাই, মখোয়বু নীংশিংনিংঙাই থা অমা হায়বদু ওইররি। অহৈবম শ্যাম, ৱাহেংবম সেমসন লৈখিদবা থা অসিদনি, খুন্দ্রাকপম জয়কুমারগী মপোক থা অসিদনি, হিংমিন্নসি ঐখোয় পুথোকপা থা অসিদনি। তা-জয় কুমারনা হায়রম্না অমা লৈখি- ঐখোয়বু কয়াম কুইনা মীগী চেরিটিনা হিংখিসিগে? ঐখোয়গী ওইবা অমত্তং পাংথোকসিবা সেমসন? তামো সেমসন্না চুম্মী অমা পাংথোকসি হায়না খুমলকখি হায়। মমিং হেক্তা থোনখি 'দ গ্রেট টু নাইটস'। মিং অসি ৱাহেংবম প্রফুলো, ৱাহেংবম সেমসন, নব ভোলুম অমদি খুন্দ্রাকপম জয়কুমার মখোয় মরীনা থোনবনি হায়বসি তা-জয়কুমারনা হিংলিঙৈদা তাকপীরম্মী। অহানবা রুপ রাগগী 'দ গ্রেট টু নাইটস' ১৯৮৩ ডিসেম্বর ৩১ অমদি ১৯৮৪ জনুৱারী ১দা ইম্ফালগী জোনস্টোন হয়ার সেকেন্দরী স্কুলদা পাংথোকখি। রুপরাগগী খ্বাইদগী চাউবা মিউজিক কনসর্ট 'দ গ্রেট টু নাইটস' নি। অহানবা দ গ্রেদ টু নাইটস পাংথোকপদা ৱাহেংবম তামো সেমসনবু 'বেষ্ট মিউজিক এরেনঞ্জর' হায়বা মিংথোল মতম অদুগী চিফ মিনিষ্টর ওইবীখিবা রিশাং কৈশিংনা লাওথোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎপিখি।

হৌজিক হৌরক্লিবা লমদমসিগী শৈশকপা শৈশকপীশিং, করম্বা মিউজিকেল হেন্দস অমনা করম্বা মওংদা মখোয়না হোৎনবীরম্বা মতম ঈশৈশিং অসিবু ঙাকশেন্দুনা থম্বীরকখিগদগে। মপাল লমগী ঈশৈ শকপা শকপীশিংনা মতম অমা শকখিবা ঈশৈশিং অমদি ঈশৈ অদুদা য়ৈখিবা খোংখিবা মিউজিকশিং চপ চানা শক্লবা খোংনবা হোৎনবা ঐখোয়না চেনেল কয়াদা উরি, তারি। ঐখোয়গীদি অনৌবা মীরোলনা হান্নগী শৈশক, মিউজিকেল নোটসশিং পেক্টিস তৌদুনা য়োকখৎপীবগী মহুৎতা শৈশকসু, মিউজিকসু শেমদোক্লবা হোৎনরি। অরী অনৌগী মশক লেপফম খঙনদ্রি। ৱানা মতম চঙনা শেমজখিবা মিউজিক নোটশিংগীদমক তামো সেমসন পাঙ্গল থোকপা ঙমদনা য়াম্না খোইরাংজখি, ৱাজখি। তাঙলবা মীশক অমনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসি মণিপুরী মতম ঈশৈ অমদি মণিপুরী ফিলমগী ঈশৈ অনীমক্তা অমুক হল্লক্লরোইদবা তানবদসু ফংলরোইদবা অমা ওইহৌরগনি। ৱারী ওইনা লীহৌবা, খঙন-চান্নবগা ৱারী শান্নবা নত্তনা কনাদবু তাইনরুগদগে?

- মাখোনমনি মোংসাবা

রাগ দরবারী-৭৭

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা...)

নোংঙানবগা প্রিন্সিপালদা কোলেজগী চহী খুদিংগী পাঙথোক্লদবা মীফম অদু পাঙথোক্লদবনি হায়বগী য়াথং লাকই। লোয়নননা মীফম অদুদা অতোপ্পা ফমশিং অমদি মেনেজরসু খনগদবনি। প্রিন্সিপাল সাহবনা হৌজিক মীখল পাঙথোকপগী মথৌ তাদে অমদি মদু অচুম্বা নত্তে হায়না য়াম্না হায়জরম্মী। অদুবু ৱেদ্যজিনা হায়, মদুগী ৱাফমদু নঙ ঙাঙগনু, মসি প্রিন্সিপলগী ৱানি। অদুবু প্রিন্সিপাল অদুনা অমুক হন্না হায়রকই, পাউচেদা য়ানিংদবা অমদি পেন্দবগী মতাংদা ফোঙদোরকপসু লৈত্রি, মথক থোংবা ওফিসিয়লশিংদসু কমপ্লেন অমত্তা লাক্লি, ইহৌ লাকপসু লৈতে, কনানসু ৱাকৎ মীফম ফম্বসু লৈতে; পুন্নমক মাগী-মাগী মফমদা অদুমক লেংদনা তুমিন্না লৈনরি, কনা অমত্তনসু চহীগী পাঙথোকপা মীফম অদু পাঙথোক্লবা হায়নরকপসু লৈত্রি; মীফম পাঙথোক্লবা শিল্লক্লিবা অসি কনানা ওইগদৌরিবনো? খন্না মাষ্টর ওইরম্বসু য়াই, নৎত্রগা রামাধিন ভিখমখেরৱিগা লোয়নননা মাগী মখা থাবা শোয়নাউ খরা ওইরম্বা য়াই। মখোয়গী ৱা তারগা চহীগী মীফম পাঙথোকপা হায়বসি অফবা নত্তে। ৱেদ্যজিনা ৱাফম পুন্নমক তারবা মতুংদা হায়রকই- নঙনা হায়রিবদু চুম্মী, অদুবু নঙনা ৱাফম অসি খঙবা ঙল্লোই মরমদি ৱাফম অসি প্রিন্সিপলগী ৱাফমনি। চৎলো য়াম্না থুনা মীফম পাঙথোক্লবা শিন-লাংবা হৌরুরো।

নুমীৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরমদা রঙ্গনাথ অমসুং রুপ্পন বাবু গয়াদিনগী মনাক্তা মীখলগী মতাংদা মহাক্কী করি ৱাখল্লোল লৈবগে হায়না খঙদোক্লবগীদমক থারম্মী। গয়াদিন হৌজিক-হৌজিক কোলেজ অসিগী ভাইস প্রসিডেন্ট ওইরিবা মরম্না মহাক্কী ৱা তাবা য়াম্না মরু ওইরম্মী। মঙোন্দগী মসিমসু খঙবা তঙাইফদে মদুদি মহাক্না মেনেজর ফমবু কনাদা পীবা পাম্বগে। করিগুম্বা হীরম অসিগী মতাংদা ৱেদ্যজিগী মায়কৈদা লেপত্রগসু থৌইনশিল অমা তৌদুনা মহাক্কী পুক্লিং হোংনবা হোৎনবা চঙই। রুপ্পন বাবু অমসুং রঙ্গনাথনা ৱারী অদু হৌদোক্লবগীদমক মহাক্কী মনাক্তা চৎখিবনি।

অদুবু গয়াদিননা ৱারী অদু হেক শাবা হৌরকপগা য়াম্না লায়থোকহনখিরম্মী। মহাক্না মখোয় অনীবু য়াম্না ফজনা নুংঙাইনা ফমহল্লম্মী, রঙ্গনাথনা সিটিগী পুন্সিং মহিংগী মওংদা ৱাফম অনী-অহুম হংলম্মী, মখোয়বু অশেংবা ঘিদা হৌবা মথরি অমদি লদু পিজরম্মী অমসুং মীখলগী ৱা হেক লাকপগা মহাক্না ময়েক শেংনা হায়রকই, "থবক খুদিংমক য়াম্না ফজনা খন্থরবা মতুংদা তৌবা ফৈ। মতম অসিগী ঈশিং-নুংশিৎগী ইচেলদা য়াওহন্দবসু ফগনি। মেনেজরগীদমক মীখল পাঙথোকপা করিসু কাইদে; অদুবু মেনেজরদি বেদ মহারাজনা অদুমক ওইগনি মরমদি কোলেজ অসি মহাক্কিনি। অতোপ্পা মীওই অমবু মতৌ করম্না মেনেজর ওইহনগদৌরিবনো? ৱাফম অসিগী মতাংদা য়াম্না মুন্না খন্থবা অমা চঙই।"

মহাক্কী ৱাফম অদু তারগদি রঙ্গনাথ অমদি রুপ্পন বাবু ৱেদ্যজিগী মায়োক্তা ভোট পীগদবা মাল্লি। ৱেদ্যজিগী মায়কৈদগী মীখলগী থবক থৌরমশিং গয়াদিননা তৌদুনা লৈরিবনি। রঙ্গনাথ নুংঙাইবা অমা ফাওরকই, মহাক্লা হায়, "নখোয় পুন্নমক থায়নদগী লোয়নদুনা লাক্লবা মীওই ঙাক্তনি, ৱাফম খুদিংমক কাংলোন চুম্লা খল্লি। অদুবু অসোমদনা রামাধিন ভিখমখেরৱী অমসুং মীওই খরনা মাম্মাগী মহুৎতা অতোপ্পা মীওই অমা পুরকপা পাম্মী। মখোয়না ৱাফম অদু মতৌ করম্না খল্লিবনো খঙদ্রে!"

গয়াদিন হৌগৎলকই অদুগা তপ্না হায়রকই, "এক্সপিরিয়েন্স লৈত্রি। মখোয়না খল্লি মদুদি অতোপ্পা মীওই অমদা মেনেজর ওইহল্লবদি করিগুম্বা খরা তৌরক্কনি, অদুবু ঙসি ফাওবদা অদুমাইনা থোকখিবা য়াওখ্রবরা?"

রঙ্গনাথনা ৱাফম অদু খজিক নুংঙাইরমদে মরমদি ৱাফম অদুনা ৱেদ্যজিগী মিংচৎতা অকায়বা থোকহনবা হায়বদু ওইরে। মহাক্লা হায়, "ফরে; অদুবু মাম্মাগা অমদি মখোয়গা করমহায়না লম্বা পাগদৌরিবনো?"

মহাক্লা শন্দোক্লা হায়রকই, "ৱাফম অদুদি ঐনা হান্না হায়খ্রে। কোলেজ ৱেদ মহারাজগীনি, মহাক্কী মখুৎতা অদুমক লৈবনা ফগনি। খুঙ্গং-পঞ্চায়ট রামাধিনগীনি। মদুসু মহাক্কী মহাক্কী মখুৎতা অদুমক লৈজ সনু। পুন্নমক মশা-মশাগী ময়ুমদা নুংঙাইনা লৈজসনু...।"

"মীখলদা করিবু কান্নবা লৈরিবগে? অনৌবা মীওই অমা খল্লবসু ফত্তবা মী অমা হেক্তা ওইরকই। পুন্নমক চপ মান্নৈ। মরম অদুনা ঐনা হায়রিসিনি, হান্না লৈরিবা মীওই অদু অদুমক ওইহল্লু। মফম অদুদা অদুমক তাদুনা লৈজসনু। করিবু কান্নগদৌরিবনো হোংদোক-হোংজিন, লৌথোক-লৌশিন তৌরগা!"

রুপ্পন বাবু তেঙ্গোৎ অদুদা তাদুনা লৈরিবা অরোয়বা লদু অদুগী মতাংদা চাসিরা-চারোইসিরা হায়না খন্দুনা লৈ। ৱাফম অদু হেক তাবগা হায়বদি গয়াদিন ৱেদ্যজিবু মেনেজর ওইনা অদুমক থম্বা পাম্মী, মদুদগী মহাক্কী ইন্টরেষ্ট পুন্নমক মাঙখিরম্মী। মহাক্লা খঙলম্মি মদুদি হৌজিক শুপ্পগী কান্নদবা ৱা ঙাক্তা লাক্লগনি। অদুবু রঙ্গনাথনা গয়াদিনগী ৱা অদু করিগুম্বা খরদি অনৌবা ওই হায়না খল্লি। প্রজাতন্ত্রগী মতাংদা মহাক্লা মফম অসিগী ৱাফম অমা তারম্মী, মদুগী ৱাহম্থোক্তি মীখল থেংনরিবা মীওইশিং ফত্তবা মতিক চাদবা মী ঙাক্তনি। মরম অদুনা অনৌবা ফত্তবা মী অমা অমুক লাক্তুনা হান্নগী ফত্তবা মী অদুগী মহুৎতা লৈবগী মহুৎতা হান্নগী ফত্তবা মী অদুগী মতাংদা লোয়না অপাম-পামদা খঙলবনিনা হান্নগীদু অদুমক লৈহনবনা হেন্না ফগনি। প্রজাতন্ত্রগী অদুগুল্লবা থিওরি অদু গয়াদিনগী ৱাখল্লোলগী মিংদা রঙ্গনাথনা মখা তাবা ৱাশিং তাবা হৌরক্লম্মী।

গয়াদিননা হায়রম্মী, "অনৌবা মীওই অদুনা করিগুম্বা খরা তৌবা পাম্লবসু করিবু তৌদৌরিবনো? করিগুম্বা খরা তৌবা পাম্লবসু ময়াম্না তৌবা য়াহন্দ্রবদি করি তৌবা ঙমগনি। ঙসিগী মতম অসিদা কনাগুম্বা অমনা কনাগী করি মতেং তৌনরিবগে? ঙসিদি কনা অমত্তনা মতেং পাংনদ্রে...।"

ছংগামল ৱিদ্যালয় ইন্টর কোলেজগী নুপামচাশিং শান্ন-খোৎনবদা মমিং য়াম্না লৈরম্মী, মরমদি মখোয়দগী থা খুদিংগী শান্নবগীনি হায়না ফি মনা পায়দুনা থিহল্লম্মী। অদুবু মসিনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি মদুদি কোলেজগী মনাক্তা শান্নবগীদমক লম্পাক অমা ফাওবা লৈরমদে। অদুবু মদুগী ৱাফম অদুদা কনা অমত্তগী নুংঙাইতবসু তৌনদে, মদুগী মহুৎতা হেন্নদুম পুন্নমক নুংঙাইনা-পেম্থোক্লা লৈরম্মী। স্পোর্টকী ওজা অদু শান্ন-খোৎনবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মনাক্তা মতম য়াম্না লেম্না লৈ মদুনা মহাক ওজাশিংগী মখোংদা পায়র-পায়রদুনা মশাবু থাজহনবা ঙম্মী। প্রিন্সিপালসু মঙোন্দগী করিসু নুংঙাইতবা লৈতে, য়াম্না কোম্না লৈরম্মী। মহাক্কী হোকি টিমগী মরক্তা খৎন-চৈনবসু থোক্লমদে (মরমদি মফম অদুদা হোকি টিম লৈরমদে) অমসুং কোলেজ অসিদা দিসিপ্লিনগী মতাংদা করিগুম্বা প্রোব্লেম অমত্তসু লৈরমদে।

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।